# রসিয়ন হেক্করশিংনা য়ুক্রেনদা মখা তানা টার্গেট তৌরবদি য়ু এসনা সাইবর এট্টেক চথ্বগনি : বাইদেন



ৱাশিংতন, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): রসিয়ানা য়ুক্রেনিয়ন গভর্ণমেন্টকী ৱেবসাইটশিংদা মখা তানা টার্গেট তৌরবদি মদুগী পাউখুম ওইনা য়ু এসনা রসিয়াগী মায়োক্তা সাইবর এট্টেক চথ্বগনি হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা লাউথোকখ্রে।

হৌখিবা চয়োলদা রসিয়ন হেক্করশিংনা য়ুক্রেনদা সাইবর এট্টেক চাউনা চথ্খিবদা গভর্ণমেন্টকী ৱেবসাইট কয়া থিংজিনখিবনি। সাইবর-এট্টেক অদুনা মরম ওইদুনা মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফেয়র্স অমসুং অতৈ গভর্ণমেন্ট এজেন্সী কয়াগী ৱেবসাইটশিং শীজিন্নবা য়াখিদে। য়ুমশকৈশা নুমীৎকী অথেংবদা প্রেস ব্রিফিং অমদা ৱা ঙাংলদুনা বাইদেননা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, রসিয়ানা মখা তানা য়ুক্রেনগী দিজিটেল ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা এট্টেক তৌবা তারবদি য়ু এসনসু সাইবর-এট্টেকশিং চথ্দুনা রসিয়াদা পাউখুম পীগনি।

বাইদেননা হায়খি মদুদি, রসিয়ানা মখা তানা সাইবর এট্টেকশিং চথ্বা তারবদি অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ঐখোয়না মান্নবা হায়বদি ঐখোয়গী ওইবা সাইবর এট্টেকশিং চথ্বা নত্তনা অতোপ্পা পাউখুম লৈরোই। প্রসিদেন্ট বাইদেননা ৱাফম অদু ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা হ্বাইট হাউসকী প্রেস সেক্রেটরি জেন পসাকিনা ৱাফম অদু কনফর্ম তৌরদুনা হায়খি মদুদি, রসিয়ানা য়ুক্রেনগী মায়োক্তা মখা তানা সাইবর এট্টেকশিং চথ্বা তারবদি অমেরিকানসু মদুগী পাউখুম ওইনা মান্নবা এট্টেকশিং চথ্বগনি।

সাইবর-এট্টেক মনুংদা য়ামদ্রবদা গভর্ণমেন্ট এজেন্সী অনীগী সিষ্টম কয়া ফেল ওইখি হায়বসি য়ুক্রেনিয়ন ওফিসলশিংনা কনফর্ম তৌখ্রে। রসিয়াবু য়ুক্রেনগী মায়োক্তা সাইবর-এট্টেকশিং চখৈ হায়না হঞ্জিন হঞ্জিন মরাল শীরিবসি লৈবাক অনীগী মরক্তা কন্না উংখৎনরিঔদেনি।

মাইক্রোসোফ্টনসু য়ুক্রেনগী গভর্ণমেন্ট, ননপ্রোফিট ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং আই টি ফার্মশিংনচিংবা ওর্গনাইজেসনদা টার্গেট তৌদুনা মাঙ-তাক্লিংঙাই ওইরবা মালৱ্যের ওপরেসন অমা রসিয়ন হেক্করশিংনা লোঞ্চ তৌখিবগী ইভিদেন্স লৈরে হায়খ্রবনি। মাইক্রোসোফ্ট থ্রেট ইন্টল্লিজেন্স (এম এস টি আই সী)গী মতুংইন্না মালৱ্যের অদু অহানবদা জন্যুৱারী ১৩দা য়ুক্রেনগী ভিক্টিম সিষ্টমশিংদা উবা ফংখি। কম্পনি অসিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, মাইক্রোসোফ্টনা য়ুক্রেন অমসুং মসিগী অকোয়বা লমদমদা হৌজিক চথরিবা জিওপোলিটিকেল ইভেন্টশিং অসি খঙই। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা কম্পনি অসিনা য়ুক্রেনিয়ন ওর্গনাইজেসনশিংদা মাঙ-তাক্লিংঙাই ওইবা এক্টিভিটিশিংদগী ঙাকথোক্নবা পোষ্ট অসিদা য়াওরিবা ইনফোর্মেসন অসি শীজিন্নবা আপীল তৌরি।

# ইজরেল অমসুং পেলেষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তা মরা তপ্পা ফীভম লাকহন্নবা পুন্না হোৎনমিন্নবা আপীল তৌখ্রে



য়ুনাইটেদ নেসন্স, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): ইজরেল অমসুং পেলেষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তা মরা তপ্পা ফীভম লাকহন্নবা হোৎনরকপদা থাংলিবা পোলিটিকেল, ইকনমিক অমসুং ইন্সটিট্যুসনেল অপনবশিং কোকহন্নবা পুন্না হোৎনমিন্নবা মিদল ইষ্ট পিছ প্রোসেসকী য়ু এন স্পেসল কোওর্দিনেটর তোর ৱেন্নেসলেন্দনা আপীল তৌখ্রে।

ব্রিফিং অমদা মহাক্না সিক্যুরিটি কাউন্সীলদা হায়খি, ওক্যুপাইদ পেলেষ্টিনিয়ন টেরিটরিদা ইকনমিক, সিক্যুরিটি অমসুং পোলিটিকেলগী ফীভম মখা তানা শোকচিল্লক্লি। হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসি হেন্না শোকচিনহন্দনবা অথুবা মতমদা মথৌ তাবা খোঙথাংশিং লৌখৎকদবনি। পেলেষ্টিনিয়ন ওথোরিটিগী ফিস্কেলগী ফীভম হৌজিকসু লুনা লৈ। মসিনা ইন্সটিট্যুসনেল ষ্টেবিলিটিদা অমদি মীয়ামদা সর্ভিস ফংহন্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা চাউনা থোকহন্দুনা লৈরে।

ৱেন্নেসলেন্দনা মখা তানা হায়খি মদুদি, সেট্টলরশিংগা খুৎ থোক্নবা য়াওনা ওক্যুপাইদ পেলেষ্টিনিয়ন টেরিটরিদা হাৎন-শুনবগী থবকশিং লেপ্পুনা চথ্দুনা পেলেষ্টিনিয়ন অমসুং ইজরেলিশিংদা মীশি-মীনা কয়া তোয়না থোক্লি। মসিনা নাকল অনীগী মরক্তা অচৌবা মুক্নবা ফীভম লাকপা য়াবগী অকিবা পোকহল্লি। সেট্টলমেন্টকী থবকশিং, য়ুম-কৈশিং থুগায়বা অমসুং মফম কয়াদা লৈরিবা পেলেষ্টিনিয়নশিংবু ইভিক্সন তৌবগী থবকশিং লেপ্পুনা চথ্নরি। মসিনা লমদম অসিদা মরা তপ্পা ফীভম লাকহন্নবা হোৎনরিবশিংদা নীংবা কায়হনবদগী নিগোসিএসন তৌরগা সোল্যুসন অমা লাকহন্নবা হোৎনবদা অরুবা অমা ওইহল্লি।

য়ু এন স্পেসল কোওর্দিনেটর অসিনা হায়, হৌজিক্কী ট্রেন্দশিং অসি লেপহন্দুনা অফবা মায়কৈদা অহোংবা লাকহন্নবা ঐখোয়না লৌথুপ-লৌকোয় লৈতনা তান্নগদবনি অমসুং পিছ প্রোসেসকী খোঙজেল থুজিনহন্নবা হোৎনগদবনি। নাকল অনীগী মরক্তা লমদম অসিদা মরা তপ্পা ফীভম লাকহন্নবা হোৎনবদা মমিংতগী ওইবা থবক তৌবা নৎত্রগা থবক তঙ্খায়দমক পাঙথোকপগী থৌওংশিংনা কনফ্লিক্ট অসি মতমগী মতুংইন্না মখা তানা ফীভম লুশিনহনবা নত্তনা অতৈ অফবা অমত্তা লাক্লোই।

নাকল নাম্মাগী ওইবা খোঙথাংশিং লৌখৎপা অমদি কনফ্লিক্ট লুশিনহনগদবা থবকশিং লেপ্পা মথৌ তাই হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি মদুদি, পেলেষ্টিনিয়ন ওথোরিটিবু মখা তানা ইফেক্টিভ ওইনা থবক তৌবা ঙমহন্নবা পোলিটিকেল অমসুং ইকনমিক রিফোর্মশিং থম্মোয় শেংনা ইমপ্লিমেন্ট তৌগদবনি। অমরোমদা দোনরশিংগী সপোর্ট লাক্নবা মখোয়গী থাজবা হেনগৎহনগদবা খোঙথাংশিং পায়খৎকদবনি।

# বেলজিয়মনা হ্যুমেন ট্রাফিক্কিং গেঙগী মেম্বর ১৮ জেলদা থম্বগী চৈরাক পীখ্রে



ব্রসেলস, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): কুমজা ২০১৯দা ভিয়েটনামিস মাইগ্রেন্ট ৩৯ ট্রাফিক্কিং তৌখিবদা রিংলিদর ওইখিবা মশাগী চহী ৪৫ শুরবা ভিয়েটনামিস নুপা অমা বেলজিয়মগী কোর্ট অমনা চহী ১৫ জেলদা থম্বগী চৈরাক পীখ্রে।

এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, ভিয়েটনামিস মাইগ্রেন্টশিং অদু বৃটেনদা স্মগল তৌনবা ট্রক ট্রেলর অমদা পুরিঔদা শিখিবনি। লোকেল মীদিয়া রিপোর্ট মতুংইন্না অতৈ মীওই ১৭সু হ্যুমেন ট্রাফিক্কিং অদুদা মরাল লৈরম্বা থেংনখি। বেলজিয়ন প্রেসকী মতুংইন্না গেঙ মেম্বরশিং অদু মখোয়গী ক্রাইমশিংগী মখা পোন্না চহী ১দগী চহী ১৫ ফাওবা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখি।

গেঙ অদুগী লিদর ওইরিবা ভিয়েটনামিস ভো ভান হোং য়ুরো ৯২০,০০০ (দোল্লর মিলিয়ন ১) ফাইন তৌবগা লোয়ননা য়ুরো মিলিয়ন ২.৩ লোমগী ওইগদবা মহাক্কী এসেটশিংসু ফাজিনখি। ভিক্টিম ৩৯গী অশিবা হকচাংশিং কুমজা ২০১৯গী ওক্টোবর ২৩দা বৃটিশ কেপিটেল লন্দনগী নোংপোক্লোমদা ইসেক্সকী ফেরি টর্মিনেল অমগী মনাক্তা রেফ্রিজেরেটেদ ট্রক অমগী মনুংদা য়াওরম্বা থেংনখিবনি। মখোয় কন্টেনর মনুংগী চিনখ্রবা স্পেসতা হিট অমসুং ওক্সিজেন ফংদবদগী লাকপা ফীভমশিং ওইরিবা এস্ফিক্সিএসন অমসুং হায়পরথর্মিয়ানা মরম ওইদুনা শিখিবনি।

ইনভেষ্টিগেসন চথ্বদা ট্রক অদু মমাঙগী নুমীৎ হায়বদি ওক্টোবর ২২দা ব্রসেলসকী নোংচুপ থংবা সবর্ব অমা ওইরিবা এন্দরলেটচতগী জীব্রুগে পোর্ট ফাওরগা বৃটেনদা চঙলকখিবনি হায়বসি খঙবা ঙমখি। ট্রক অদু খামহন্দুনা থল্লিঔ চৈরক্তুদা বেলজিয়ম পুলিসনা মাইগ্রেন্টশিংগী থম্ফম ওইবা লোৎফম অনী এন্দরলেটচতা লৈরম্বা থেংনখি। লোন্না চলাইরম্বা হুমেন স্মগ্লিং নেটৱার্ক অদু বেলজিয়ন পুলিসনা কুমজা ২০২০গী মেদগী থুপচিনখি। কুমজা ২০২১গী জন্যুৱারীদা বৃটেননা কেস অদুদা চেন্নবা মীওই মরি কনভিক্সন পীখিবনি।

# নোর্থ কোরিয়াগী কনভিক্টশিং ঙাকপীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে



সিওল, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): নোর্থ কোরিয়ানা লৈখিদ্রবা লৈবাক অসিগী লুচিংবশিংগী মপোক কুমওন থৌরমশিং পাঙথোকপগা মরী লৈননা কনভিক্ট তৌরবা মীওইশিং থা অসিগী অথেংবা শরুক্তগী এমনেষ্টি পীননবা ৱারেপ লৌরে হায়না শগোলশেল নুমীৎতা প্যোংয়াংগী ষ্টেট মীদিয়াগী রিপোর্টনা হায়রি।

নোর্থকী ওফিসল কোরিয়ন সেন্ট্রেল ন্যুজ এজেন্সী (কে সী এন এ)গী রিপোর্টনা হায়, সুপ্রীম পিপলস এসেমব্লীগী ষ্টেন্দিং কম্মিটিনা লৌখিবা ৱারেপ অমগী মতুংইন্না কিম ইল-সুং অমসুং কিম জোং-ইলগী মথংশিৎনা চহী ১১০ অমসুং ৮০শুবা মপোক কুমওনশিংগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী মায়োক্তা ক্রাইম কয়া তৌখিবগীদমক্তা কনভিক্সন পীখ্রবা মীওইশিং ঙাকপীরগনি।

কে সী এন এগী মখা তাবা রিপোর্ট পল্লদুনা য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সীনা হায়, এমনেষ্টি অদু জন্যুৱারী ৩০দগী চৎনগনি। কেবিনেট অমসুং মরী লৈনবা ওর্গানশিংনা মীওইশিং অদুবু শু-নোমদুনা মহৌশাগী ওইবা পুন্সি মহিংদা হিংহনবদা মতেং পাংনবা প্রক্টিকেল থৌরাংশিং পায়খৎলগনি। হৌজিক্কী নোর্থ কোরিয়ন লিদর কিম জোং-উনগী লৈখিদ্রবা অপোকপা কিম জোং-ইলগী মপোক কুমওন নুমীৎ ফেব্রুৱারী ১৬তা তাই অমসুং মহাক্কী লৈখিদ্রবা মপুবোক কিম ইল-সুংগী মপোক কুমওন নুমীৎনা এপ্রিল ১৫দা তাই। অনীমক নোর্থ কোরিয়াদা মরুওইবা সেলেব্রেসনশিং ওইরিবনি। কনভিক্টশিং এমনেষ্টি পীগদৌরিবসি শেল-থুমগী অৱাবা মরক্তা সোসল য়ুনিটি পুরক্নবনি।

# বাংলাদেশকী এক্ট্রেস রাইমা ইস্লাম শিমু মপুরোইবনা হাৎপা ওইরম্লে



ধাকা, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): ধাকাগী চিদাইদা লৈবা মফম অমদা মখোঙ-মখুৎ কক্লবা অশিবা হকচাং ওইনা ফংখিবা বাংলাদেশকী এক্ট্রেস রাইমা ইস্লাম শিমুগী মপুরোইবনা মহাক্কী লোয়নবী এক্ট্রেস অদু মহাক্না হাৎপনি হায়না ফোঙদোকচরক্লে হায়না তোপ পুলিস ওফিসল অমনা হায়রি।

ধাকা দিষ্ট্রিক্টকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (এস পি) মারুফ হোসাইন সার্দার এজেন্সীদা ফোঙদোরকপদা, মীহাৎ অদুগী মতাংদা ভিক্টিম মপুরোইবা খান্দাকের সখাৱাট অলিম নোবেলনা পুলিসতা মীহাৎ অদুগী মরাল য়াজখ্রে অমসুং মহাক্কী লোয়নবীবু হাৎপদা মহাক্কী মরুপ এস এম ৱাই ফার্হাদনা মহাকপু মতেং পাংখি হায়নসু লিথোরক্লে।

পুলিসনা হায়খি মদুদি, নোবেলনা শিমুবু হাৎখি অমসুং ফার্হাদনা মহাকপু অশিবা হকচাং অদু লোৎপদা মতেং পাংখি। শরুক কয়া থোক্না তোঙান্না তারবা হকচাং অদু হৌখিবা নিংথৌকাবগী নুংথিলদা কেরাগঞ্জকী এলিয়াপুর এরিয়াদা লৈবা হজার্টপুর থোংগা নক্নবা লম্বীগী নাকলদা বোরা অনীদা য়াওরগা লৈরম্বনি। হকচাং অদু ধাকাগী মিটফোর্দ হোস্পিটালদা শিমুগী মবুং সাহিদুল ইস্লাম খোকোননা আইদেন্টিফাই তৌখি। শিমুগী হকচাং ফংলবা মতুংদা নোবেল অমসুং ফার্হাদ দিটেন তৌবগা লোয়ননা কেপিটেলগী কেরানিগঞ্জ পুলিস ষ্টেসনদা পুখি।

এস পিনা হায়, মখোয় অনী হৌজিক পুলিস কষ্টদিদা লৈরি। মখোয়গী মায়োক্তা কেস অমা রেজিষ্টর তৌরে। এক্ট্রেস শিমু মহাক্কী মপুরোইবা অমসুং মচা অনীগা লোয়ননা গ্রীন রোদ ধাকাদা লৈবনি। মহাক নোংমাইজিং নুমীৎতা ময়ুম থাদোকখিবদগী হল্লকখিদবনি। মহাক হল্লকখিদবগা মরী লৈননা নোবেলনা নিংথৌকাবা নুমীৎতা কলাবগন পুলিস ষ্টেসনদা কমপ্লেন্ট অমা ফাইল তৌখি। এক্ট্রেস শিমু অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৯৮দা 'বার্টমান' হায়বা ফিল্মদা কুমখি। মদুদগী মহাক ফিল্ম ২৫দা থবক তৌখ্রে। মহাক বাংলাদেশ ফিল্ম আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী এসোসিএট মেম্বর অমনি।

# ইথিওপিয়াদা মরা তপ্পা ফীভম লিংবগী মতাংদা গুতেরেসনা হরাওবা ফোঙদোকখ্রে

য়ুনাইটেদ নেসন্স, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): নোদর্ন ইথিওপিয়াদা লৈরক্লিবা আর্মদ কনফ্লিক্টকী ফীভম ঈংনা চিক্না লৈখায় তাবা য়াবগী ফীভম লাকপদা নুংঙাইবা ফাওই হায়না য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটেরেসনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা গুটেরেসনা হায়খি মদুদি, মহাক্না হোর্ন ওফ অফ্রিকাগী অফ্রিকান য়ুনিয়ন (এ য়ু) হায় রিপ্রজেন্টেটিভ ওলুসেগুন ওবাসাঞ্জোগা টেলিফোনদা ৱারী শান্নখি অমসুং ইথিওপিয়াগী কনফ্লিক্টকী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। মদু ওবাসাঞ্জোনা হন্দক্তা ইনৌ নৌনা অদ্দিস অবাবা অমসুং রিজনল ষ্টেট টিগ্রেগী কেপিটেল মেকেল্লেদা চৎলুরবা মতুংদনি। ইথিওপিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং টিগ্রে পিপলস লিবরেসন ফ্রন্ট (টি পি এল এফ)না শাথিরবা কনফ্লিক্ট অদুগী ৱারোইশিন অমা পুরক্নবা হোৎনরিবশিংগী মরমদা ওবাসাঞ্জোনা মঙোন্দা ব্রিফ তৌখি। ৱারী শানবা অদুদা ওবাসাঞ্জোনা হৌজিক কনফ্লিক্ট অদুগী পোলিটিকেল অমসুং দিপ্লোমেটিক ৱারোইশিন অমা পুরক্নবগী অশেংবা খুদোংচাবা লৈরে হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, ইথিওপিয়া অমসুং লমদম অদুগী অতৈ মফমশিংদা মীওই মিলিয়ন কয়া অৱাবা নংহল্লিবা চহী ১ রোম হেল্লবা কনফ্লিক্ট অদু তুং কোইনা লোইশিনবা য়াগদবা মওংদা মরা তপ্পা ফীভম লাকহন্নবগী খুদোংচাবা তাঞ্জা অমা লাকপসিদা মঙোন্দা নুংঙাইবা পোকই।

ইথিওপিয়াগী মফম খরদা হৌজিক চথরিবা মিলিটরি ওপরেসনশিং পিছ প্রোসেসতা শিংনবা অমা ওইদুনা লৈরি অমসুং মদুনা কনফ্লিক্ট অদুগী পার্টিশিংনা পায়খৎলিবা অমগা অমগা থাজনদবগী থৌরাংশিংদা অকায়বা পী। লমদম অদুদা মরা তপ্পা ফীভম লাকহন্নবগী অচুম্বা মায়কৈদা চঙশিন্নবগী মরুওইবা খোঙথাং অমা ওইনা পার্টি পুম্নমক্না খুৎলায় শীজিন্নবা লেপকদবনি হায়না য়ু এন চীফনা ফোঙদোকখি।

# ৱর্ল্ড বেঙ্কনা কম্বোদিয়াগী মহৈ তম্বগী ফীভম ফগৎহন্নবা অনৌবা ফাইনান্সিং এপ্রুভ তৌখ্রে

নোম পেন, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): কম্বোদিয়াদা মতিক চারবা অঙাং খৃদিংমকপু থোং মান্নবা বেসিক এদ্যুকেসন ফংহনবদা হেন্না মতেং ওইনবা লৈবাক অসিগী অনৌবা ফাইনান্সিং থৌরাং অমা এপ্রুভ তৌরে হায়না ৱর্ল্ড বেঙ্কনা লাউথোকখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা ৱর্ল্ড বেঙ্কনা হায়খি, বেঙ্ক অসিনা মসিগী ইন্টরনেসনল দিভেলপমেন্ট এসোসিএসনগী খুথাংদা কম্বোদিয়াদা দোল্লর মিলিয়ন ৬০গী ক্রেদিট পীরগনি। ফন্দিং অদুনা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক অসিদা নোলেজদা য়ুম্ফম ওইবা সোসাইটি অমা শেমগৎনবা হ্যুমেন রিছোর্সশিং ইষ্টাব্লিস তৌনবগী পান্দম লৈবা চহী ৫গী ওইবা জেনরেল এদ্যুকেসন ইমপ্রুভমেন্ট প্রোজেক্ট সপোর্ট তৌগনি।

ৱর্ল্ড বেঙ্ককী কম্বোদিয়াগী ওইবা মেনেজর মারিয়াম সালিমনা হায়, অঙাংশিংবু এদ্যুকেসনগী খুদোংচাবা হেন্না পাক শন্না ফংহন্নবা হোৎনবদা কম্বোদিয়ানা য়াম্না খুম্মাং চাউশিন্না চঙশিনবা ঙম্লে। তৌইগুম্বসুং মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমশিং, লায়রবা ইমুংশিং নৎত্রগা ইথনিক মাইনোরিটি কম্যুনিটিশিং অমদি হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবশিংগুম্বা অঙাং কাঙলুপ খরগী ওইনদি মহৈ-মশিন তম্বগী খুদোংচাবা অমগা অমগা মান্ননা ফংহনবা ঙমদ্রি।

মসিদা নত্তনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্না মরম ওইদুনা স্কুল মতম শাংনা থিংবদগী মহৈরোয়শিং মহৈ তম্বদা খুদোংচাদবা মায়োক্নরি। প্রোজেক্ট অসিনা হৌজিক থেংনরিবা চেলেঞ্জশিং অসি মায়োক্নবদা অমসুং অঙাংশিংগী মহৈ-মশিন তম্বগী ফীভম ফগৎহনবদা মতেং পাংগনি হায়না ঐখোয়না থাজে। প্রোজেক্ট অদুগী মরুওইবা এক্টিভিটিশিংগী মনুংদা স্কুলদা য়ুম্ফম ওইবা মেনেজমেন্ট প্রোগ্রাম ইমপ্লিমেন্ট তৌবা, ওজাশিং, স্কুল লিদরশিং, ওজাগী ট্রেনরশিং অমসুং এদ্যুকেসনল ষ্টাফকী কেপাসিটি শেমগৎ-শাগৎপা অমদি মহৈ তম্বগী ইনভাইরনমেন্টশিং ফগৎহনবা য়াওরি।

প্রোজেক্ট অদুদা স্কুল বিল্ডিংশিং, সাইন্স লেবোরেটরিশিং, ওজাগী ট্রেনিং ইন্সটিট্যুসনশিং, ওজাশিংগী দোর্মিটোরিশিং অমসুং অখন্নবা এদ্যুকেসনল স্কুলশিং শেমগৎ-শাগৎপা অমদি রিহেবিলিটেসন তৌবগা লোয়ননা এদ্যুকেসন টেক্নোলোজি ইক্বিপমেন্ট লৈবা অমসুং হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবা অঙাংশিং সপোর্ট পীবা য়াওরি।



# কেনয়াদা টুরিষ্টশিং থুংবগী চাং কুমজা ২০২১দা চাদা ৫৩ হেনগৎখি

নাইরোবি, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯ লাইচৎ লৈদুনসু কেনয়াদা ইন্টরনেসনল টুরিষ্টশিং থুংবগী চাং কুমজা ২০২০গা চাংদম্নবদা কুমজা ২০২১দা চাদা ৫৩.৩ হেনগৎতুনা টুরিজম সেক্তর অসি মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিল্লকপা হৌরে হায়বসি উৎলি হায়না গভর্ণমেন্ট ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসল অসিগী মতুংইন্না কেনয়াদা কুমজা ২০২০দা ইন্টরনেসনল টুরিষ্ট ৫৬৭,৮৪৮ থুংখি অমসুং কুমজা ২০২১দা টুরিষ্ট ৮৭০,৪৬৫ থুংখি। টুরিজম এন্দ ৱাইল্ডলাইন কেবিনেট সেক্রেটরি নাজিব বালালানা হায়খি, হেল্থ ক্রাইসিস অসি লৈনা লৈনা কুমজা ২০২১গী জুনদগী দিসেম্বর ফাওবদা সেক্তর অসিগী গ্রোথ শীংথানিংঙাই ওইনা ফগৎলকখি। ইন্টরনেসনল টুরিষ্টশিংগী মশীং য়াম্না থুংবা লেপত্রি। ফীভম অসিদা মখা তানা চথ্বা তারবদি ইন্টরনেসনল ভিজিটর থুংবগী চাং মমাঙদা য়াম্না ৱাংখিবা মতম অদু থুনা য়ৌরক্লগনি নৎত্রগা মতম অদুদা থুংখিবা ভিজিটরগী মশীংদগী হেল্লবা য়াই হায়না ঐখোয়না থাজে। মসি মীশিং অয়াম্বা ভেক্সিন কাপথোকপদগীনি। ইন্টরনেসনল ভিজিটরশিংনা অমুক হন্না মখোয়গী পঙ্খুংফম ওইরিবা ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা থাজবা থম্লক্লগনি।

বালালানা মখা তানা হায়খি মদুদি, কুমজা ২০২১গী পর্ফোর্মেন্স অসিনা 'মেজিকেল কেনয়া'গী দেষ্টিনেসনদা লেপ্পুনা থাজবা থম্লক্লি হায়বসি উৎলি। মসি মরুওইনা মার্কেটিংগী থবকশিংদা নৌনা ইনোৎ হাপ্পা অমদি লৈবাক অসিনা কোভিদ-১৯ শন্দোরকপা লাকশিন্নবা হোৎনরিবশিংদা মালেমনা থাজবা লৈরকপদগীনি। লৈবাক অসিগী টুরিজম গ্রোথ অসি মরুওইবা প্লেয়রশিং ওইরিবা হোটেলশিং অমসুং দোমেষ্টিক এয়রলাইন্সশিংনা দোমেষ্টিক অমদি ইন্টরনেসনল মার্কেটশিংদা ওফর তৌরিবা অনৌবা প্রদক্টশিংনসু শৌগৎলি।

# প্রোফেট মুহম্মদতা উশিৎতবা উৎপগী মরাল লৈরবী মুস্লিম নুপী অমা শিবগী চৈরাক পীখ্রে

মুল্টান, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): ইস্লামগী প্রোফেট মুহম্মদতা উশিৎতবা উৎপগীদমক ব্লাস্ফেমিগী মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখ্রবা মুস্লিম নুপী অমা পাকিস্তানি কোর্ট অমনা শিবগী চৈরাক পীখ্রে।

ওফিসল অমনা শগোলশেল নুমীৎতা ফোঙদোরকপদা, নুপী অদুনা মহাক্কী ফ্রেন্দ অমদা থাখিবা টেক্স মেসেজশিংদা প্রোফেট মুহম্মদপু ঈকায়বা পীবা মচাকশিং য়াওখি। অনীকা অট্টিক কৌবী নুপী অদু কুমজা ২০২০গী মেদা ফাখিবনি। মদু নুপী অসিনা মহাক্না তীন্নবা নুপা অমদা ৱাটচএপকী খুথাংদা থারকখিবা মেসেজশিংদা প্রোফেট মুহম্মদকী কেরিকেচরশিং য়াওরে হায়না পুলিসতা পাউ পীরকপদগীনি। অসুম্না ইস্লামগী ফাউন্দর প্রোফেট মুহম্মদপু করেম-কথাইননা তৌবগী থৌওংশিং ব্লাস্ফেমিনি হায়না পাকিস্তানদা লৌনৈ হায়রি।





পাকিস্তানগী ব্লাস্ফেমি লোশিংগী মখাদা ইস্লামিক লাইনিংবু নৎত্রগা লাইনিং লম্বী অসিগা মরী লৈনবা মরুওইবা মীশকশিংবু উশিৎ-থওইদনা তৌবা মীওইশিং শিবগী চৈরাক পীবা য়াই। ওথোরিটিশিংনা হৌজিক ফাওবা ব্লাস্ফেমিগা মরী লৈননা মী হাৎতুনা শিবগী চৈরাক পীবা লৈত্রবসু অসুম্না মরাল শিবা অসিনা লৈবাক অসিদা মীয়ামগী ঈরাংশিং থোকহনবা য়াই। কোর্ট ওর্দর অদুগী মতুংইন্না নুপী অদু চহী ১০ জেলদা লৈবগী চৈরাকসু পীখি।

# সিক্যুরিটিগী ফীভম খন্ন-নৈনখ্রে

কিভ, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ভোলোদিমির জেলেনস্কি অমসুং য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিঙ্কননা য়ুক্রেনগা মরী লৈননা সিক্যুরিটিগী ফীভম খন্ন-নৈনখ্রে। মরুওইনা নাকল অনীনা ফীভম অদু হৌজিক লৈরিবা নিগোসিএসনগী ফোর্মেটশিং অমসুং পোলিটিকেল অমদি দিপ্লোমেটিক সেট্টলমেন্টকী অতৈ মোদিলিটিশিংগী মখাদা লৈখায় তানবগী লম্বীশিং খন্নখি। জেলেনস্কিগী প্রেস সর্ভিসনা ফোঙদোরকপদা, প্রসিদেন্ট অসিগী মায়কৈদগী নিগোসিএসন ফোর্মেটশিং কন্নশিনহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি।

OFFICE OF THE HEADMISTRESS
CHILD NURSING LOWER PRIMARY SCHOOL (GOVT. AIDED)
PALACE COMPOUND, IMPHAL EAST

ꯆꯪꯁꯤꯟꯄꯨꯗ / NOTIFICATION
Dated, 19th January, 2022

CN/A9/SMC-22: In pursuance of ZEO, Zone-II vide Order No. 1/6/2009-ED(ZEO-II): dated 18th January, 2022 it is hereby informed to all the concerned that the election of two "Guardian Representative" and nomination of three "Local Educationist" will be held for formation of School Managing Committee (SMC) in respect of Child Nursing Primary School, (Aided) as per schedule given below. All the interested persons are invited for the said membership of the SMC.

Last Date of submission of nomination papers
& date of Scrutiny: 27th January, 2022 at 10 a.m.
Date of Election & nomination: 29th January, 2022 at 10 a.m.

Venue: Child Nursing L.P. School

Sd/- H. Vidyalaxmi Devi
R.O./Headmistress
Child Nursing L.P. School
Yaikul A/C

HL-P/1303/21

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING

Ref: Mutation Case No. 17/AS&SO-VIII/K 17-01-2022

1. Naorem Mema Devi W/o N. Ingocha Meitei of Chairel Makha Leikai.
2. Yengkhom ongbi Shantibala Devi W/o Y. Chandraj Singh of Kakching Irum Mapal, Mathak Leikai.
3. Moirangthem Sharmila Devi W/o M. Nabachandra Singh of Kakching Moirangthem Leikai.
4. Soraisam Chaoba Leima W/o S. Narabir Singh of Kakching Moirangthem Leikai.
5. Yendrembam John Singh S/o Y. Biren Singh of Kakching Moirangthem Leikai.
6. Yendrembam Ibo Singh S/o Y. Biren Singh of Kakching Moirangthem Leikai.

Vs

Late Yendrembam Bokul Singh S/o Late Y. Bonban Singh of Kakching Khullen.

ꯆꯦꯀꯁꯤꯟ / NOTICE
17-01-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরশিংনা তহশিল খুল নং ৫৭-ককচিং খুলেন পাট্টা নং ২৮৬ অনৌবা দাগ নং ৬২, ৬৯, ৭০ এরিয়া ২.৯০, .২০, ২.৯৪ একর ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার য়েন্দ্রেম্বম বোকুল সিংহ পীতা মৃত বোনবান সিংহ সাং ককচিং খুলেন অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং কক্থৎপীরগা পিটিস্নরশিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ফৌরেল লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হাজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপ্তি লৌররোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer, Kakching

HL-P/1502/21